# জে সি আই এল পি এসকী অনৌবা থৌ পুগদবশিংদা ফম শিন্নখ্রে, খোঙজং চংশিনদৌরি

ইম্ফাল, মে ২৫(এস এন এস)ঃ জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম (জে সি আই এল পি এস)কী ৱুমেন ৱিং অমসুং ষ্টুদেন্দনটগী ৱিংগী অনৌবা থৌ পুগদবশিংদা ফম শিন্নখ্রে। খোঙফম হোংবা লৈতে, অথুবা মতমদা খোঙজং চংশিনবা হৌরগনি হায়না জে সি আই এল পি এসকী কনাভেন্নর য়ুম্নাম দিলিপকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

জে সি আই এল পি এসগী ৱুমেন ৱিং অমসুং ষ্টুদেন্ট ৱিংগী ফম শিন্নবগী থৌরম অদুন কৈশম্পাট টিদিম লম্বীগী কোনজেং হজারি লৈকাইদা লৈবা জে সি আই এল পি এসকী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি। অনৌবা ফম শিন্নরে হায়না লাওথোক্লবা মতুং জে সি আই এল পি এসকী কনভেন্নর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা মমাংদগী হৌনা জে সি আই এল পি এস তান্দুনা লাকখিবা দিমান্দশিং ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা য়ান্নখিবা লৈতে। অথুবা মতমদা দিমান্দশিং অদুদা তান্দুনা খোঙজং চংশিনবা হৌরগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, লোক সাভা মীখলগী চরাংনবা অমদি কোদ ওফ কন্দক মরক্তা দিমান্দশিং তৌরুরবসু কান্নবা লৈরোইদবনা জে সি আই এল পি এসনা থা খরা তুম্মিননা লৈরুবনি। অদুবু হৌজিক সেন্তরদা বি জে পিনা লূচিংবা সরকার অমা শেম্নবা থৌরাং তৌরে। অসিগুম্বা তনজাশিদা জে সি আই এল পি এসনা হান্নদগী হৌনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবা ইশুশিংগী মনুং দা মমাংদা ষ্টেট এশেমব্লিনা পাস তৌখ্রবা হৌজিক লৈবাকসিগী প্রসিদেন্টকী খুত্তা লৈরিবা মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮ অসি অথুবা মতমদা এসেন্ট পিয়ু হায়না তকশিল্লগনি।

অমরোমদা, মেনপেক্কীনসু অকনবা ইহৌ কয়া হৌদুনা লাক্লিবা জে সি আই এল পি এস অমসুং মণিপুর মীয়াম্নশু পাল্লিবা সিটিজেন্সিপ এমেন দমেন্ট বিল ২০১৬ অসি চৎনবা য়ারোই হায়বসিদা জে সি আই এল পি এসনা মেনপেক্কা খুৎশম্নরগা অকনবা খোঙজং চংশিল্লগনি। ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টনা য়াদুনা লৈরিবা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিযিজেন (এন আর সি) অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা খোঙজং চংশিল্লগনি।

মণিপুর গর্ভর্নমেন্টগী কেবিনেটনা এপ্রুব তৌরগা রিজোলুসন পাস তৌদুনা লৈরবা মণিপুর ষ্টেট পোপুলেসন কম্মিসন অমা শেম্বা হায়বসি থবক ওইনা পাঙথোকহন্নবা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি।

জে সি আই এল পি এসনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি য়াওবা ৱাল পোষ্টর শেম্বা লোইরে। অথুবা মতমদা মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংবা থেৎপগী থবকশু হৌরগনি। অসিগুম্বা থবকশিং অসি পায়খৎলকা মতমদা মণিপুরগী মীয়াম্না চম্মনবা পোকপিগনু। থবকশিংদা মীয়াম্না কো–ওপরেসন পিবিয়ু হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা, নৌনা খল্লবা থৌমীশিং অদুদি ৱুমেন ৱিংগী কনভেন্নর ওইনা কৱাগী টিঐ কুমু লৈমা, কো–কনভেন্নরদা কিলগী এম প্রতিমা, পোইরৈগী অচোম সোরোজিনি লৈমা, এমকিলগী আর কে বিনো দেভি। একজিক্যুটিভ মেম্বরদা কিলগী এল সান্তা লৈমা, পোইরৈ মাইবম সান্তি লৈমা, এমকিলগী হৈরাংখোঙজাম ৱাতেম্বী, কৱাগী ইরোম সুবাসিনি লৈমনি।

ষ্টুদেন্টগী ৱিংগী কনভেন্নর ওইনা সুককী ধনকুমার নিংথৌজা, কো–কনভেন্নরদা এমসুগী বিজান্দো য়ুমখায়বম, কে এস এগী রোমেন সোইবমচা অমসুং এম এস এফকী খাংঙেম্বম বিদ্যাসাগরনি।

একজুক্যুটিভ মেম্বর ওইনা এমসুগী খাইদেম ধন্নচন্দ্র, কে এস এগী বব্লু হুইরোংবম, এম এস এফকী খুমহেমগী মোতিলাল অমসুং সুককী থোকচোম দোল্লরসেননি হায়খি।

# কোংগ্রেসপু কনানসু পাম্নররোইঃ রোবিন ব্লেকি

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ তাখ্রবা নুমিৎপু কনানা খুরুম্নবগে, তাখ্রবা নুমিৎকা মান্নরবা কোংগ্রেস পার্টিবু কনানা পাম্বীগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ত্রেজরর রোবিন ব্লেকিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পিগী কাঞ্চিপুর ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, লৈবাক অসিদা মীখলদা কোংগ্রেসকী মায় পাক্লবা মীহুৎ অমা ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু য়াওরিবনি।

হৌজিক কোংগ্রেস পার্টি অসি মরায় চায়থরক্লবনি অদুগা বি জে পিনা মকোক লিৎখৎলক্লিবা পার্টিনি। মীয়াম্না পীরকপা মেন্দেট অদু কোংগ্রেস পার্টিনা লৌগদবনি হায়না রোবিন ব্লেকিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়া, কোংগ্রেসনা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদু ফ্রি অমসুং ফেয়ার ওইদে হায়বা তারবদি খাঙবোক্তা, থৌবালদা ভোট মশীং য়াম্না চাউনা কোংগ্রেসনা হেনখিবা কন্সুটট্যুয়েন্সিশিং অদুগী মীখলদা ফ্রি অমসুং ফেয়ার ওইদে হায়বদা য়ানিংব্রা হংখি।

মহাক্না হায়, ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অদুদা বি জে পিগী মীরেপনা মায় পাকখিবা অদু মপুং ওইনা বি জে পিগী বুঠ, মন্দল, দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ষ্টেট লেভেলগী কম্মিতিশিংনা কন্না হোৎনবদগীনি। মসিগীদমক মখোয়বু পার্টিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি।

হন্দক্কী মীখল অসিদা নরেন্দ্র মোদি চৈনবা শেমখিবা মহা গদবন্ধন অসি মরায় চায়থখি হায়বদা লাল্লোই। মহা গদবন্ধন শেম্নবসু ষ্টেট কয়াদা কোংগ্রেসকা অতোপ্পা পার্টিশিংগা চৎমিন্ননিংদবনা পুনশিনবা ঙমখিদে। মদুমক্তনা কোংগ্রেস পার্টিনা চাউনা মায়থিবা নংখিবনি।

হন্দক্কী মীখলগী ফল অসিনা ইন্দিয়াগী মীয়াম অসি হায়জিনবদা থাজদে হায়বদু ময়েক শেঙলে। ইন্দিয়াদা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়বা মতমদা মুম্বাই তরর এটেক চথবা মতমদা মতম অদুগী লৈঙাক্লা খুৎ হনবা ঙমখিদে।

নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক লাক্লবা মতুংদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক পাকিষ্টানদা চখখিবগা লোয়নন কুমজা ২০১৮গী পুলৱামা এটেক অদুগী লমন খুম্বা ওইনা লৈঙাক্লা চখখিবনি। মীয়াম্না মপাঙ্গল কনবা লৈঙাক অমগী অপাম্বা লৈ হায়খি। হন্দক্কী মীখল অদুদা লংথবাল কেন্দ্রগী মীয়াম্না চাউনা ভোট পীবিখিবা অদুগীদমক থাগৎলি লোয়ননা লংথবাল কেন্দ্রগী বি জে পিগী ৱার্করশিং অমসুং এল জে পিগী ৱার্করশিংনা পুন্না খুৎশম্না হোৎনমিন্নবগী মহৈ ফংলে। মসিগীদমক মখোয়বু থাগৎলি হায়খি। পাউগী মীফম অদুদা য়াওখবা লংথবাল বি জে পি মন্দলগী প্রসিদেন্ট অমসুং লিল্লোং ইম্ফাল ৱেষ্ট ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিলর এম জয়কুমারনসু লংথবাল কেন্দ্রদা লৈরিবা বি জে পি অমসুং এল জে পিগী ৱার্করশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নবদগী ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ্পা ভোট মশীং য়াম্না হেন্না ফংহনখিবা অদুগীদমক মীয়াম্বু থাগৎলি হায়খি।

# পুখ্রম্বম কাজাও দেথ এনিভর্সেরি লৈঙাক্লা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোক্লবা হোৎবীয়ু ঃ প্রোফেসর ইবোহল

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ পুখ্রম্বম কজাও মেমোরিয়েল ট্রষ্ট ( পি কে এম টি) না শীন্দুনা পুখ্রম্বম কাজাওগী পোক্লফম লমদম কামোং মৈস্নাম লৈকাইদা পুখ্রম্বম কাজাওগী ১২৮শুবা দেথ এনিভর্সেরি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কামোং মৈস্নাম লৈকায়দা লৈবা পুখ্রম্বম কাজাও ষ্টেটস কমপ্লেক্সতা মীয়াম্না হৈ লৈ কৎতুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুদা ইকাইখুম্নরবা মীথুং ওইখিবা জষ্টিস কম্মিটি, মণিপুরগী চিয়রমেন ইবোতোম্বী খুমননা হায়, কুমজা ১৮৯১ গী মতমদা মণিপুর অসি নিংথৌ পানবা মনিংতম্বা লৈবাক ওইনা লৈজরম্বনি।

বৃষ্টিসকী লোইলম শাসন মণিপুরদা লাকখ্রিবনি নিংথৌ মচাশিংগী মরক্তা লিংজেল মান্নদবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা চখখিবা পোরম অমনি। কুমজা ১৮৯১ গী মার্চ ২৩ গী অহিংদা বৃষ্টিসনা টিকেন্দ্রজিৎ ফান্নবগীদমক্তা কোনুংদা লানদাখি। অদুবু টিকেন্দ্রজিৎ ফাবা ঙমখিদে। বৃষ্টিসনা মীওই ৩৩ রোম হাৎপদা নত্তনা কোনুংগী অকোইবদা লৈবা য়ূম কয়ামরুমসু মৈ থাদোকলমখি। বৃষ্টিসকী থৌওং অদুদা মীয়াম য়াম্না শাউনখি। মথংগী নুমিৎতসু বৃষ্টিস ওফিসর ৫, বেঙ্গল খোঙবা মীওই অমগা লোয়ননা পুন্না মীওই ৬না কোনুংদা লাক্লগা মণিপুরগী নিংথৌগা ৱারী শাগে হায়রখি। মখোয়না পুরক্লিবা খুৎলাইশিং অদু সররেন্দর তৌরবা মতুংদা নিংথৌগা ৱারি শাবা য়াগনি হায়বদা বৃষ্টিসশিং অদুনা মখোয়গী খুৎলাইশিং সরেন্দর তৌবগী অয়াবদি ক্কুইন ইলিজবেথ পীদ্রবদি মদু ঙম্লোই হায়রকখি।

খুৎলাই সর্রেন্দর তৌদ্রবদি নিংথৌগা ৱারী শাখদ্রে। নিংথৌগী মনাওনিপা অতোনবা অঙৌসননা বৃষ্টিস ৬ অদু কোনুংগী মমিং থংবা গেট ফাওবা থিনে দাকপীখি। লৈবাক্কী নিংথৌগা বৃষ্টিসশিংগা করি ৱারী শাখ্রবগে হায়বদু খংনিংবদগী মীওই কয়ানা মফমদুনা ঙাইদুনা লৈরমখি। মফম অদুদা খঙহৌদনা ইরাং থোরকখি। পুখ্রম্বম কাজাওনা মিষ্টর গ্রিনমুদপু মফমদুদা তানা থিল্লগা হাৎখি। বৃষ্টিস শিংনা মার্চ ২৩গী অহিংদা কোনুংদা লানদাখিবা অমদি য়ূম কয়ামরুম মৈ থাদোকলম্বা অদুগী লমন খুবা ওইনা কাজাওনা থবক অদু চৎখিবসু ওইরম্বা য়াই।

মহাক্কী অদুগুম্বা থৌনা লিংজেল অদুনা তাক্লিবসি মণিপুর ইমাদি মীরমগী মীখা পোনলোই হায়বদুনি। মহাক্কী থৌনা লিংজেল, মরৈবাকপু নুংশিবা অসিমক ঐখোয় খূদিংমক্লা তমসি হায়নসু মখাতাখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম আই এম এসকী দাইরেক্টর প্রোফেসর সি ঐচ ইবোহল মীতৈনা থৌরমগী ইকাইখুম্নরবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা হায়, লৈখ্রিদবা পুখ্রম্বম কাজাওগী থৌনা– লিংজেল, মরৈবাক নিংবা, লোয়ননা মহাক্লা ঐখোয়দা পিরল্লিবা পাউজেল অসি মমল য়াম্না য়াম্মী। মরৈবাক মজাটিগীদমক্তা মহাক্লা শিবা কিদনা পাঙথোকখিবা থবক অদুনা ঙসিগী মীরোলদা মমল নাইদ্রবা লেসন অমা তমবিরি। মহাক মরৈবাক মজাতিগীদমক্তা থৱাই কৎথোকপা পাম্মুখিদবা মীশকনি। পুখ্রম্বম কজাওু নিংশিংবগী তৌরম অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকহননিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

এ আই টি য়ু সি মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরী এল সোটিনকুমারনা হায়, ইম্ফালগী মফমশিংদসু পুখ্রম্বম কাজাওগী মীতম শানবগী থৌরাং পায়–খৎলগনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিতয়র্দ প্রোফেসর এন জয়কুমারনসু ইকাইখুম্নবা মীথুং ওইখি। পি কে এম টি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল পিশক লুৱাংনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# হৌজিক লৈরিবা ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসি হোংদোক্ত্রবদি অচুম্বা মীয়ামগী লূচিংবা খনবা ঙম্লোই ঃ নরা

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়াদা হৌজিক চৎনরীবা ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসি হোংদোক্ত্রবদি অচুম্বা মীয়ামগী লূচিংবা খনবা ঙম্লোই। মসল পৱার অমদি মনি পৱারদা মীয়ামগী রাইট পুম্নমক হুমদুনা পুরী হায়না ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনদা ইন্নর মণিপুর কন্সটিটুয়েন্সিদা সি পি আইগী মীরেপ ওইখিবা ডা. মোইরাংথেম নরানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল ইরাবত ভাবন্দা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্ন হায়, হন্দক পাঙথোকখিবা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সনদা মহাক্কীদমক মতেং পাংবীরকপা অমদি অচুম্বা অশেংবা মীহুৎ খন্নবা ৱানা হোৎনবীখিবা মীয়াম পুম্নমক মহাক্কী পার্টিগী মায়কৈদগী অমদি মহাক মশাদগী ইকাইখুম্নবা উৎচরি। অদুবু ইলেক্সন রিজল্টদা পীরক্লিবা ভরদিক্ট অসিদি শেলনা অমদি মসল পৱারনা পীবা ভরদিক্টলা হায়বদু মীয়াম্না খঙবীরমগনি। লমদমসিগী ইনখল্লক্লিবা লাইরিক–লাইশু নিংথিনা হৈরবা মরমদম মজাতিবু নুংশিজবা নহারোল কয়ানা থৱায় য়াওনা অচুম্বগীদমক চেন চোংখিবা অশেংবা মীয়ামগী মীহুৎ খন্নবা হোৎনখিবা কয়াসু নুঙাইবা ফাওই। চোইনা লৈরিবা নহারোল কয়াসু পূন্সিনবা ঙমদুনা নোংমদি লমদমসিগীদমক অওনবা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি খল্লি।

বৃটিশকী মতৌ তমদুনা চথরক্লিবা ইন্দিয়াগী ইলেক্টোরেল প্রোসেস অসি অহোংবা পোরক্লবা হোৎনবদা সি পি আই অমদি মহাক্কা চৎমীন্নরীবা কাংবুনা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি। মালেমগী ওইনা য়েংবদা প্রোপোসনেল ওইদ্রবা ইলেক্সনগী সিষ্টেম অসি খুৎকন পঙ্গনবা শক্তি লৈবরোমদা চৎলিবসি থিংনবা হোৎনমীন্নসি নৎত্রবদি লমদমসি ইশু কয়ানা পীক থনবা নোংম–নোংমগী চাওখৎ মনিং হল্লকপা ওইখিগনি।

মহাক্ন মখা তানা হায়, ইলেক্টোরেল রিফোর্মগী কেম্পেইন অসি মীয়ামদা মনুং হুৎনা খঙহন্নবা হোৎনবা হৌরগনি। হন্দক্কী ইলেক্সনদা নিংবা থুংদবা কয়া লৈরবসু মীয়াম্না পীবা ৱায়েলনি খল্লগা মায় পাকখিদ্রবসু মহাক্কীদমক ভোট পীবিখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। লাক্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসিগী অনৌবা প্রোগ্রাম কয়া য়েংমিন্নসি। ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপদা থোকখ্রিবা তৌখ্রিবা ময়াম অদুসু মীয়াম্না করম্বা মওংদা মখোয়না ভোট থেংনখিবা হায়বদু মীয়াম্না নৈনবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি। পাউমীশিংগা উনবা অদুদা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরী লাইশ্রম সোটিনকুমারনা হায়, হন্দক্কী ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি মীয়ামগী পূক্লিংদা অঙকপা চীংননিংঙাই ওইবা ৱাখল্লোন অদুমক ফাওনরি। সি পি আইগী মায়কন্দগীসু হন্দক্কী ইলেক্সন অসিদা অওনবা খরদি লাক্কদ্রা হায়না খল্লগা ওন্নবদা মসল পৱার, মনি পৱারদা চৎখিবা অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা লাইবক থিবনি। লৈবাক অসিদা অমুক সিটিজন্সিপ এমেনমেন্ট বিল চৎনহনগনি হায়রিবা পার্টিদা পৱার পীশনবা অমদি ষ্টেট অসিগী অরুবা ইশু কয়া থোকহল্লিবা কাঙবুদা হঞ্জিন–হঞ্জিন পৱার পীশিনবা অসি লাইবক থিবনি।

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীয়ামগী পূক্লিং ইহুলদা সি পি আই মীরেপদা নরানা পেলহনবা ঙমদবদগী ফংলিবা ইলেক্সনগী রিজল্টনি হায়না লৌই।

তোঙান তোঙানবা লমদমসিদা থোক্লকপা ইশু কয়াদা লমদমসিগীদমক মীয়ামগীদমক হনবা লৈতনা থেংনখিগনি। লোয়ননা বি জে পি লৈঙাক্লা মেনিফেষ্টোদা হাপ্পুনা সি এ বি চৎনহনগনি হায়রিবসি থবক ওইনা ওন্থোররুবা হোৎনরকপদা সি পি আই অমদি চৎমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টি খূদিংমক্লা চপ চানা থেংনগনি হায়খি।

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোই অমা থৌরি য়াল্লগা শিরম্লে

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মেন্স হোষ্টেল নম্বর টুগী রুম নম্বর ২৬তা লৈবা মহৈরোই অমা মহাক্ন লৈরিবা কা মনুংদা থৌরি য়াল্লগা শিদুদা লৈরেম্লে।

লৈখিদ্রবা মহৈরোই অদুগী মমিং কে লুনমিনলাল কিপজেন (২২) কৌই। কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী সাইখুল সব–দিভিজনগী মনুং চনবা এল সুংফেল ভিল্লেজদগী কে পাওখোমাং কিপজেনগী মচানুপানি হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউদা, লুনমিনলাল কিপজেন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী বি ভোকতা মরিশুবা সেমিষ্টরদা তম্লিবা মহৈরোই অমনি হায়রি। ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তাবা মতমদা মহাক্ন লৈরিবা কা অদু থোংলোনবগা লোয়ননা য়াম্না নমথিবা মনম অমা থংনবা কাদা লৈরিবা মহৈরোইশিংনা ফাওনরকপদগী মহাক্কী থোং অদু থিন্দুনা মহাকপু কৌবদা খুম্লক্তবদগী থোং অদুগী অহোবা মচি অমদা য়েংলুবদা মনুংদা লৈবা তেবল অমদা ঙারগা লেপ্পা লৈবা উখি। ফিভমদুদা চিংনবদগী খুদক্তা পুলিস পাউ পিবদগী শিংজমৈ পুলিস টিম অমা লাক্লবা মতুং ফোরেন্সিক সাইন্সকী টিম অমসুং দ্যুটি মাজিষ্ট্রেটনা য়াওনা লুনমিনলালগী কাগী থোং অদু হাংদোক্লুনা য়েংলুবদা মহাক ফিনা থৌরি ওইরগা সিলিং ফেনদা থৌরি য়াল্লগা শিরগা লৈরম্বনি হায়রি।

মহাক্ন শিরম্লিবা মফম অদু ফোরেন্সিক সাইন্সকী টিমনা কুপ্পা য়েংশিল্লবা মতুং শিংজমৈ পুলিসনা কেস অমা লৌ–খৎলগা মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু লৌখৎগা রিমসকী মোর্গতা পুরগা পোষ্ট মোর্টেম পাঙথোক্লগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লা ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

केनरा बैंक Canara Bank

থৌবাল ব্রঞ্চ, অচৌবা বাজার মখা, থৌবাল, মণিপুর–৭৯৫১৩৮

এপ্পেন্দিক্স -IV ( পোসেসন নোটিশ) (য়েংউ রুল–৮ (১)

লেঙবা য়াদবা লন থুমগী

সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সত্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়েল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওফ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট ২০০২ (২০০২ গী এক্ট ৫৪) গী মখাদা কনারা বেঙ্ককী ওথোরাইজ ওফিসার ওইনা মখাদা খুৎয়েক পীজরিবনা সেক্সন ১৩(১২) না পীরিবা পৱার অদু সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এনফোর্সমেন্ট) রুলস ২০০২ গী রুল ৩ গা লোয়ননা পারগা পীরিবা পৱার শীজিন্নদুনা তারিক ১৭–০৭–২০১৮ দা থোকপা দিমান্দ নোটিশ অমা জে কে এন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপাইটর লোন লৌখিবা বোরোৱর শ্রী য়ুম্নাম জিবনকুমারদা নোটিশ অদুদা পনখিবা শেনফম ২১,৭৯,৯৪৭.৮৭ (লুপা লাখ কুনমাথোই লিশিং হুম্ফুতরামাপল চামাপল নিফুতরেৎ পৈশা মরিফুতরাতরেৎ) নোটিশ অদু ফংবা তারিকতগী নুমিৎ ৬০নিগী মনুংদা শিংগৎনবা পীখি।

লোন লৌখিবা বোরোৱররনা শেনফম অদু শিংগৎত্রবদি লোন লৌখিবা মীওই অসিদা অদুগা মপুং ওইনা মীয়ামদা নোটিশ অসি পীজরি মদুদি মখাদা খুৎয়েক পীরিবা মখাদা পীরিবা লন–থুম অসি এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ (৪) গা লোয়ননা সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এনফোর্সমেন্ট) রুল ২০০২ গী রুল ৮ গা পারগা পীরিবা পৱার শীজিন্নদুনা চহী ২০১৯ মেগী ২২ শুবা নুমিৎতা লৌশিল্লে লোন লৌখিবা বোরোৱররনা মরুওইনা অদুগা মীয়াম্না মপুং ওইনা লন–থুম অসি লৈবা য়োনবা তৌনবা তারবসু কনারা বেঙ্ক, থৌবাল ব্রাঞ্চকী শেনফম লুপা ২১,৭৯,৯৪৭.৮৭ (লুপা লাখ কুনমাথোই লিশিং হুম্ফুতরামাপল চামাপল নিফুতরেৎ পৈশা মরিফুতরাতরেৎ) শেন্দোইগা লোয়ননা পীনরবা মতুংখক্তদা তৌনগদবনি হায়না চেকশিনৱা পীরি।

হায়রিবা সেক্যুর এসেট (লন–থুম) অসি পৈশা থিরগা হন্দোকপগী মতাংদা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩ সব সেক্সন (৮) গী প্রোভিজনশিংদা লোন লৌখিবা বোরোৱরগী মীৎয়েং চিংশিল্লি।

লেঙবা য়াদবা লন–থুমগী মশক মওং তাকপা ঃ

শ্রী য়ুম্নাম জিবনকুমারগী মিংদা লৈবা খুন নম্বর অথোকপমগী সি এস দাগ নম্বর ১২১৬ / ২৬৯৬ অমদি ডীট নম্বর ২০০৫ গী ৩৭২ না কোনবা পাট্টা নম্বর ৩২ / ১০৩ / ১৪৯১ (অনৌবা) ওইনা লম হেক্টর ০.০৬২৩ গা কোন্নবা আর সি সি বিল্ডিং (জি+১) ফাউন্দেসন অমা কোয়শিল্লিবা ঙমখৈ ঃ অৱাংদা খুলগী লম্বী, খাদা ৱাই নিংথেমজাওগী লম, নোংপোক্তা ৱাই ইবোমচা সিংহগী লম, নোংচুপ্তা ৱাই থোইবা সিংহগী লম।

তারিকঃ ২২–০৫–২০১৯ খুৎয়েক / ওথোরাইজ ওফিসার

মফমঃ থৌবাল কেনরা বেঙ্ক

# শারথি খূৎলাই লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (এস এন এস)ঃ অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মরক্তা মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা মীৎ উদ্রবা মীওইশিংদা মতেং ওইগদবা শারথি খূলাই ঙসি লোঞ্চ তৌখ্রে। খূৎলাই অসি মতৌ করম্না শীজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা ত্রেনিং অমদি এৱার্নেস প্রোগ্রাম অমসুং উবগী পাঙ্গল লৈত্রবা লমদম অসিগী মীয়ামদা অহানবগী ওইনা শারথি খূৎলাই য়েম্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অসি হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ( ঐচ দি) ফাউন্দেসন, মণিপুর অমদি শারথি খূৎলাই পুথোক্লিবা কম্পেনি টোচ আই টিনা পুন্না খূৎশম্নদুনা তাকয়েলদা লৈবা গর্ভর্নমেন্ট আইদেল ব্লাইন স্কুলদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা ঐচ দি ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরী জেনরেল ডা. এস জসোবন্তনা নৌনা পুথোক্লিবা খূৎলাই অসিনা মিৎ উদ্রবশিংনা চৎনিংবা মফমদা চৎপদা খুদোংচদবা কয়া নংলিবা অসিদগী চাউনা হুহ্হনবা ঙম্লগনি। মীৎ উদ্রবশিংসু মীয়াম্না তৌরিবা অসিগুম্বা ইরমদম অসিগী চাউখৎ থৌরাং কয়াদা খূৎলাই অসিগী মতেংদা শরুক য়াবা ঙম্লগনি ঙম্নবসু পুন্না হোৎমিন্নসি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট ডাইরেক্টর বন্তি কোছৌজম অমসুং টোচ আই টি কম্পেনিগী সি ই ও হন্নি বকচন্দনিসু শরুক য়াখি।

# মায় পাক্লকখ্রবা হেরিটেজ কনভেন্টগী মহৈরোইশিং পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা চহী অসিগী হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামিনেসন (ঐচ এস এল সি) একজামিনেসন ২০১৯দা মা পাক্লকখ্রবা হেরিটেজ কনভেন্টগী মহৈরোইশিং ঙসি স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা ওক্তুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট হাওরং শাবলদা লৈবা হেরিটেজ কনভেন্টগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা হন্দক হায়দোকখিবা ঐচ এস এল সি একজাম ২০১৯ অদুদা ১৫শুবা পোজিসন তারকখ্রবী এরেনা ৱাইখোম,২০শুবা পোজিসন তারকখ্রবী সিলেনা লাইশ্রম অমসুং ২২শুবা পোজিসন তারকখ্রবা সঞ্জেনবম ইরিকতা স্কুল অসিগী ওইনা সুপরষ্টারস মিংথোল পীখিবগা লোয়ননা স্কুলগী মায়কৈদগী মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা লুপা লাক্ষ অমমমগী মনা পীখি। লোয়ননা হায়রিবা একজাম অদুদা স্কুল অসিদগী ৮৫ পার্সেন্ট অমদি মসিগী মথক্তা ফঙ্গলকখ্রবা মহৈরোই ৮বুনা ট্রেল ৱ্লেজরসকী মিংথোল পীবগা লোয়ননা মখোয়দা লেপটোপ অমমম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। অমসুং স্কুল অসিদগী চহী অসিগী ঐচ এস এল সি একজামদা মায় পাক্লখ্রবশিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা ৱেল ৱিসরশিংনা অচম্বা খুদোল কয়াসু তমখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী একজিক্যুটিভ দাইরেক্টর সঞ্জেনবম বিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখিবদা ঐচ এস এল সি এমজাম ২০১৯ অদুদা ১৫,২০ অমদি ২২ পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোই অহুম অসিদা লুপা লাক্ষ অমমম পীবনি। মথংগী চহীদগীদি লাক্ষ অমগী মনা অসি লাক্ষ অনীদা হেনগৎলগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, করিগুম্বা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংনা ঐচ এস এল সি একজাম অসিদা অহানবদগীনা ৩শুবা পোজিসন ফাওবগী মনুংদা মায় পাক্লকপা মহৈরোইশিংদা মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা স্কুল অসিগী মায়কৈদগী লুপা লাক্ষ ৫ / ৫ নৎত্রগা কার অমমম পীগনি। লোয়ননা ৮৫ পার্সেন্টতগীনা মসিগী মথক্তা ঐচ এস এল সি একজামদা মায় পাকপা মহৈরোইশিং অদুগী ওইনা লেপটোপ অমমম পীগনি। হন্দক লাউথোকখিবা ঐচ এস এল সিগী ফল অদুদা পুন্না মহৈরোই ২২৯ একজাম থাবগী মনুংদা ফার্ষ্ট দিভিজনদা মহৈরোই ১৫১ অমদি সেকেন্দ দিভিজনদা মহৈরোই ৫৯ পাস তৌদুনা পুন্না মহৈরোই ২১০ পাস তৌবগা লোয়ননা পাস তৌবগী চাং চাদ ৯১.৭ তৌদুনা মায় পাকখি। মসিগী মনুংদা এম আই এল (মণিপুরী)দা মহৈরোই ১০২,কম্প্যুটর সাইন্সতা মহৈরোই ১৩নি, হয়ার মেঠসতা মহৈরোই ২১,হোম সাইন্সতা মহৈরোই ১৯, মেঠসতা মহৈরোই ৫৭,সাইন্সতা মহৈরোই ১৭,ইংলিশতা মহৈরোই ৫৬ অমদি সোসিয়েল সাইন্সতা মহৈরোই ২১না লেট্টর চংখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এন পি এফকী লূচিংবশিংনা দেল্লিদা সি এম ...

*লমায় ১গী মখা*

পনবা য়াবদি নাগা পিপলস ফ্রন্টনা মে ১৮ দা পাঙথোকখিবা পার্টি অসিগী মকোকথোংবা লুচিংবশিং য়াওবা মীফম অমদা বি জে পিনা মণিপুরদা এন পি এফপু লৈঙাক পায়মিন্নরিবা পার্টি অমা ওইনা উবিদে। লোয়ননা এলাইয়েন্স পার্টনর অমা ওইনা পীবিফম থোকপা খুদোংচাবশিং পীবিদনা লৈবনা মরম ওইরগা ইন প্রিন্সিপল এন পি এফনা বি জে পিদা শৌগৎপা তোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা লৈখিবনি। লোয়ননা মীখলগী মতুংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌনবা মীফম অদুনা লেপ্লখিবনি।

মীখলগী ফল লাওথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ফিরেপ লৌখিবা তারবসু ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অসিগী ভোট মশীং থিগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈগী মমাঙদা এন পি এফকী মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ নিউমাই অমসুং পি ঐচ ই দি মিনিষ্টর এল দিখো দিল্লিদা পাঙথোকপা বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট সাহনা শিনবা চাক্লেন অমদা শরুক য়াখিবগী ৱাফম লৈরিবনি।

হৌজিক লৈরিবা এন পি এফকী ফিরেপ অসিগী মতাংদা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ নিউমাইগা পাউচে অসিগা অখন্নবা উন্নবা অমদা, মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিবু শৌগৎপা শৌগত্তবগী ৱাফম অসি এন পি এফকী হেদ ওফিসকী প্রসিদেন্টনা মীখলগী থবক থৌরমশিং লোইরবা মতুংদা লেপকদবনি। মহাক্লা লেপ্পা ফিরেপ অদুদা মণিপুরগী এন পি এফনা ইনগনি হায়না ঙরাং ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি হায়খি। অমরোমদা নেসনেল পিপল পার্টিগী মিনিষ্টর মরি দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, টি এ এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর এন কায়িসি অমসুং য়ুঠ এফেয়ার্স এন্দ স্পোর্ট মিনিষ্টর লেটপাউ হাউকিপসু ঙরাং দিল্লিদা থুংখ্রে। অদুবু মখোয়না কোনরাদ সংমা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা নত্তনা কনা কনা উন্নখিবগে হায়বদি পাউ ফংবা ঙমদনা লৈরি হায়রি।

# ৱিসদম ওফ ৱুমেন এক্সলেন্স এৱার্দি ২০১৯ ওইখ্রবী খাঙেম্বম হেম্বোই ওকখ্রে

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ লাইনিং অমদি ইনাৎ য়োকখৎপা অপূনবা মালেম, কংলৈপাক্ন শীন্দুনা ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিকগ্রান্দেদা ৱিসদম ওফ ৱুমেন এক্সলেন্স এৱার্দ ২০১৯ ফংলকখ্রবী খাঙেম্বম হেম্বোই লৈমবু ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা, সনামহি টেম্পল বোর্দকী ভাইস–প্রসিদেন্ট বিদ্যাপাটি সেঞ্জমনা অথোইবা মীথুং অদুগা লাইয়ুম গী এদভাইজর ৱাইখোম নিমাইচাননা থৌরম মপু ওইখি।

বিদ্যাপাটি সেঞ্জমনা থৌরমগী মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা হায়, তোঙান তোঙানবা মখলগী এৱার্দ কয়া ফংলকখ্রবী খাগেম্বম হেম্বোই (রঞ্জিতা) বু ওকপগী থৌরম পাঙথোক্লিবসি তঙাইফদনা পাঙথোক্তবা য়াদবা অমনি।

জাৎ কুচু মান্নদবা, শক–চু খেননবা কয়াগী মণিপুরদগী খাঙেম্বম হেম্বোই (রঞ্জিতা) না লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দশিং ফংলকপসি থাগৎনিংঙাইনি–চাওথোকচনিংঙাইনি। ইন্দিয়াগী অৱাং–নোংপোক চিঁদাইদা ঙাম্বোইরিবা লমদমসিগী মৈতৈ নুপী অমনা এৱার্দস অহুম ফঙলকপদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই।

মহাক্ন হায়, ফজবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্তা য়াওই। মসিগা লোয়ননা অসি মীমাঙ থোক্লা পুথোকপসু মথৌ তাই।

মায়থোঙ –শক খক ফজবা অসিনদি ফজবা মপুং ফাদে, পূক্লিং অমসুং থম্মোয় য়াওনা ফজবা অদুনি ফজবা হায়রিবসি। মীতৈ নুপীশিংদি শওং–শাদা, শকচু মায়থোঙ অমদি থম্মোয় ফজে। অসিগুম্বা ফজবা অসি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মীওশিংদা উৎথোকপা মথৌ তাই। মীয়াম্না খঙবীদনা লৈরিবা মগুণ লৈরবা মীওইশিংসি মখাতানা মীয়ামদা খঙহননবসু হোৎনগনি হায়না মখাতাখি। খাঙেম্বম হেম্বোই লৈমা অসি মিষ্টর পানাচে ৱিন্নর এন্দ বেষ্ট কষ্টম ২০১৯ মুম্বাই, অয়েসো এন্দ রাবিয়াস স্কুল ওফ ব্যুটি এন্দ আর্টনা পীবা ৱুমেন এক্সলেন্স এৱার্দ ২০১৯ মুম্বাই অমদি ৱিসদম ওফ ৱুমেন এক্সলেন্স এৱার্দ ২০১৯ ন্যু দিল্লি ফংলকখ্রবনি।

# টুনিসিয়ান ফীল্ম ফেষ্টিভেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৫ (এস এন এস)ঃ নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকদবা টুনিসিয়ান ফীল্ম ফেষ্টিভেল ২০১৯ ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফীল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস)কী ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অসি ফেদেরেসন ওফ ফীল্ম সোসাইটিস ওফ ইন্দিয়া (ইষ্টর্ন রিজন) ফীল্ম সোসাইটি ওফ মরিপুর টুনিসিয়ান এমবেসি ন্যু দেল্লী অমদি মণিপুর ষ্টেট ফীল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ ও এস)না পুন্না খূৎশমন্দুনা শীনবনি।

থৌরম অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর শ্রী এম লক্ষমীকুমার, আই এ এসনা হৌদোকখি।

হৌদোকখিবগী থৌরম অসিদা মহাক্লা হায়, মণিপুরদা অসিগুম্বা ফেষ্টিভেলশিং অসি তোয়না পাঙথোকপা অসিনা ফীল্মবু পামজবশিংদদি লম অসিদা তম্নবা অমদি অহেনবা লৌশীং তানশীন্নবা অচৌবা ফম্বাক অমদি ওইরি। মপান লমগী মমিং লৈরবা ফীল্ম কয়া য়েংবা অসিনা ৱাখলদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীদুনা মণিপুর ফীল্মগীসু হেন্না মগুন লৈবা ফীল্ম পুথোকপদা মতেং পাঙগনি। ঙসি হৌদোকপা নুমিৎ অসিদা নুংথিল পুং ৩ তাবদা ইব্রহিম লাটিফকী পোর্টো ফরিনা, পুং ৫ দা নিদহল চৎতাগী লোসতফা জেট অমদি পুং ৭ তা হবীব নেস্ত্রিগী শার্টরদ ৱেবভস উৎখি।

# কামজোংদা য়েন ...

*লমায় ১গী মখা*

অকোয়বদগী হৌদুনা হিদাক কাপথোকপগী থৌরাং অসি পায়খৎপা মতমদা লায়না অসি শন্দোরকপা থিংবা ঙমগনি হায়খি।

মহাক্ন হায়, লায়না মখল অসিগী হিদাক দিপার্টমেন্টতা চপ চানা লৈরি। হিদাক অসি য়েন্নাও অদুনা ওনলবা মতুং চয়োল অমগী মনুংদা অহানবা দোজ কাপ্লবা মতুংদা অনীরকশুবা বুষ্টর দোজনা চয়োল ৬ তগী ৮ শুরকপা মতমদা কাপথোকপীগদবনি। মসি ওইরবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না মহাক্ন মখা তাখি।

হৌজিক্কী ওইনদি কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা মখা তানা য়েন শিবগী পাউ লৈত্রে হায়নসু দাইরেক্টরনা মখা তাখি।

রানিখেট হায়রিবা লায়না মখল অসি মপুং ওইনা য়েনদা নাগনবা য়াম্না শিগনবা লায়নানি। লায়না অসিনা নারকপা মতমদা লোক খুবা,খনাও খেবনচিংবা তৌরক্কনি। লোয়ননা য়েনশিংদা পেরালাইসিস তৌবা মঙক মনিং মমাঙ লৈথোক্লবা, মশা নিকপনচিংবা তৌরকপা য়াই লোয়ননা দাইরিয়া তৌদুনা হঙ্গাম মপাল মুচদা খরা শংজিনবা মুচগী অমাংবশিং হামগনি, চাউথকউ য়ারক্লোই হায়রি।

# অঙাংশিংগী সম্মর কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী মখাদা খুমন লম্পাক্তা লৈরিবা মণিপুর বাল ভবনদা হৌখিবা মে ২০ দগী চখরকপা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা অঙাংশীংগী নন রেসিন্দেন্সিয়েল কেম্প লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুগা মরি লৈননা সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি দাইরেক্টর চিলদ্রেন প্রোগ্রাম কে সরোজা দেবীনা হায়, লমদম অসিগী অঙাংশিংগীদমক সোসিয়েল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টনা য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খত্তুনা লাক্লি।

মণিপুর বাল ভবন অসি মপুং ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্চ দিভলপমেন্টকী মখাদা লৈরিবা নেসনেল বাল ভবনগী মখাদা লৈরিবনি।

কেম্প অসিদা চহী ১০ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা পুন্না অঙাং ১০০ রোমনা শরুক য়ারিবনি। কেম্প অসিনা মপুং ওইনা অঙাংশিংবু মী অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চংবা মচাকশিং অদু খঙহনবগা লোয়ননা অফবা লম্বীদা লমজিংবিনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমনি।

নুমিৎ মঙানিগী কেম্প অসিদা অঙাংশিংবু তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা মশক নাইরবা মীওইশিংগা উন্নদুনা মখোয়গা ৱারি ৱাতায় শান্নহনবা, মমাংদা বালশ্রী এৱার্দ ফংখ্রবা অঙাংশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নহনবা লোয়ননা মখোয় মখোয়দা য়াওরিবা হৈশিংবা কয়া অদু মপুং ফানা উৎথোকচবা ঙম্নবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

মহাক্ন হায়, কেম্প অসিগী মনুংদা মখোয় মশেলগী মরক্তা উন্নহন্দুনা ৱারি ৱাতায় শান্নবগা লোয়ননা মীমাং থোকপদা অকিবা লৈহন্দনবা খোঙথাং কয়াসু লৌখৎলি হায়খি।

অসিগুম্বা কেম্প অসি চহী অসিগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা নরেন্দ্র ...

*লমায় ১গী মখা*

কনফরেন্স অদুদা মহাক য়াওখিদে অমসুং মহাক্ন ৱা অমত্তা ঙাংদনা মীফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি হায়রি।

লিখুন কয়ানা ফোঙদোকপদা রাহুল গান্ধীগী মমা সোনিয়া গান্ধী অমসুং মচননুপী প্রয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রনা মহাক্কী ৱাখল অদু হোংহন্নবা হোৎনখি। অদুবু অরোইবদা মদু মহাক্কী ৱারেপনি হায়না মখোয়না হায়খি।

অরিবা অচৌবা পার্টি অসি হৌজিক লৈরিবা অচৌবা ৱাথোক্তি– রাহুল গান্ধী নৎত্রবদি কনানা ওইগনি? হায়বসিনি।

খন্নবা য়াবা মরম ময়াম অমা লৈরবসু পার্টি লিদরসিপকীদমক কোংগ্রেসনা নেহরু – গান্ধী ফেমিলিগী ৱাংমদা তাঙনা য়েঙই।

২০১৪দা ফংখিবা মশীংদগী সুপ্নগী ২ খক হেনগৎলগা হন্দক্কী জেনরেল ইলেক্সনদা সিট ৫২ ফংদুনা মায়থিহৌ–খবা অদুগী নুমিৎ হুন্নিগী তুংদা কোংগ্রেসনা মখোয়গী পোষ্ট–মের্টেমগী মীফম অসি পাংথোক্লিবনি।

এন দি টি ভিগী পাউমী অমনা পার্টিগী মায়থিবগীদমক মহাক্না করম্বা মখলগী দায়ত্ব লৌবগে হায়না নুমিদাংৱাইরম পাংথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা হংলক–খবদা রাহুল গান্ধীনা চামদা ১০০ দায়ত্ব লৌগনি হায়না পাউখুম পীখি হায়রি।

কোংগ্রেসকী অপিল অদু মপূং ফানা লৈখা তারে হায়বদু রাহুল গান্দীনা পার্লিয়ামেন্টতা তার্ম ৩লক মীহুৎ ওইরকখিবা অমসুং চহী ৪০ মহাক্কী ইমুংনা পায়রকখিবা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অমেথিদা মশামক মায়থিখিবা অদুনা ময়েক শেংনা উৎলে।